

# পোক্নফম স্পোর্তস





*জপানগী মীয়া জাতোনা বৃতিস গোল্ফ চেম্পিয়ন্সিপ্তা সোত অমা তৌখিবা*

*ফ্রান্সকী গারফেল্ড দারিয়েন( য়েৎ) না য়ুরোপিয়ন এথলেতিক চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী মিতর ১১০গী হরদল লমজেলদা শরুক য়াবা*

## ত্রাইয়েল কম কোচিংগীদমক ফুতবোল্লরশিং খনগৎখ্রে

*পোক্নফম নিউজ সার্বিস*

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ঃ** উত্তরখান্দগী হলৱানিদা আগস্ত ১৯ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ৭শুবা সব জুনিয়র গালর্স নেসনেল ফুতবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১০ দা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খন্নবগী ত্রাইয়েল কম কোচিংগীদমক অস্ফানা ফুতবোল্লর ২৮ খনগৎখ্রে।

ত্রাইয়েল কম কোচিংগীদমক খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি - দি এস এ ককচীংদগী ই পাম্থোই, এসঐচ ভাবিনি, পি ওসিন, কেএসঐচ মার্গেত, এসঐচ সঙ্গীতা, লালম হাওকিপ, জি নরমাতা, এস জিনিয়া, দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী এল জুলিয়া, দব্লিউ রঞ্জিবালা, এন রতানাবালা, ঐচ সুনিতা, তি বন্দানা, কেঐচ আশা, ও কমালা, ইম্ফাল ৱেস্ত দিস্ত্রিক্ত ফুতবোল এসোসিএসন্দগী এনজি রোসিনি, দাইনা, কেএসঐচ চাওবা, এল লায়ো দেবী, এন সুনিলা, ৱাই হেমোলাতা, লিংনাইকিম কিপজেন অমদি ইম্ফাল ইস্ত দিস্ত্রিক্তকী তি সঙ্গীতা, এন দেবেশ্বরি, এল সনাথোই, সিঐচ রিতা, সঞ্জানা অমসুং ৱাই ঙাম্থোইনি। খনগৎলবা ফুতবোল্লরশিংনা জুলাই ৩১ গী অয়ুক পূং ৮ তাবা মতমদা ত্রেনিং কিতকা লোয়ননা খুমন লম্পাক ফুতবোল প্রেক্তিস গ্রাউন্দদা লাক্কুনা কোচ এল চাওবদা রিপোর্ত তৌরগদবনি হায়রি।

## লেমাইত্রিনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্সিপকী মিতর ১০০ গীদা গোল্ড লৌখ্রে

**বার্সেলোনা, জুলাই ২৯ ঃ** য়ুরোপিয়ন এথলেতিক চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী মিতর ১০০ গী লমজেলদা ফ্রান্সকী এথলেত খৃস্তোফি লেমাইত্রিনা সেকেন্দ ১০.১১ দা চেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে। ঙরাং পাঙথোকখিবা লমজেল অদুদা অনীশুবা পোজিসন্দগী ৪ শুবা পোজিসন ফাওবদা লৈখিবা এথলেতশিং অদুসু লেমাইত্রিগী মতম অদুগা মান্নে হায়না লৌখি। অদুবু ফোতো ফিনিসতা লেমাইত্রিনা গোল্ড লৌখিবনি।

বৃতেনগী মার্ক লেৱিস ফ্রান্সিসনা সিলভর অদুগা অতোপ্পা ফ্রান্সকী মার্সিএল মানজোকনা ব্রোঞ্জ লৌখি। নিংশিংবা য়াবদি চহী অসিগী ওইনা ফ্রান্সকী লেমাইত্রিনা য়ুরোপকী খ্বায়দগী লমজেল য়াংবা মীওই অদু ওইখি। মহাক্না থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ফ্রান্সতা পাঙথোকখিবা কম্পিতিসন অমদা সেকেন্দ ৯.৯৮ চেন্দুনা হায়রিবা মীংথোল অসি ফংখিবনি।

চহী ২০ শুবদা ঙাইরিবা লেমাইত্রিনা বৃতেনগী নম্বর ৱান ওইরিবা দ্বোইন চেম্বর্সকা লোয়ননা ফাইনেলদা অকনবা লম্বা তৌগনি হায়না মীয়াম্না থাজনরম্বনি। অদুবু চেম্বর্স ৫ শুবা পোজিসন তাখি। অমরোমদা, পোর্তুগালগী ফ্রান্সিস ওবিৱেলুনা ৪ শুবা পোজিসন লৌখি।

## দেমেন্তিএভা অমসুং স্তোসুর ক্বার্তর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে

**স্তানফোর্দ, জুলাই ২৯ ঃ** য়ুএসগী কালিফোর্নিয়াদা চত্থরিবা স্তানফোর্দ বেঙ্ক ওফ দি ৱেস্ত ক্লাসিক তেন্নিস তুর্নামেন্তকী ঙরাং শান্নবা মেতচ অমদা ৬ শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা রসিয়াগী এলিনা দেমেন্তিএভা অমসুং ওস্ত্রেলিয়াগী সমান্থা স্তোসুর মখোয় মখোয়গী লম্বাশিং অদুবু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্তর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

দেমেন্তিএভানা জপানগী কিমিকো দাতি ক্রুমবু ৩-৬, ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা ওস্ত্রেলিয়াগী সমান্থা স্তোসুরনা য়ুএসকী খৃস্তিনা মেকহেলবু ৬-১, ৭-৫ তা মায়থিবা পীখি। সেমি ফাইনেল য়ৌনবগীদমক দেমেন্তিএভানা রসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় মারিয়া সরাপোভা অমসুং ওলগা গোবোর্তসোভা অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌগনি। অদুগা স্তোসুরনা বেলজিয়মগী য়ানিনা ৱিকমায়রগা লম্বা তৌনগদৌরি।

তুর্নামেন্ত অসিগী ক্বার্তর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা পোলেন্দগী এগনিস্কা রাদৱান্সকা য়াওরি। মহাক্না উক্রেনগী ওলগা সেপচুকপু ৭-৬ (৭-৪), ৬-২ দা থোইখি। অদুগা স্তোসুরগা ক্বার্তর ফাইনেল শান্নগবা বেলজিয়মগী ৱিকমায়রগা স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা সিবুলকোভাবু ৬-১, ৬-৪ দা মায়থিবা পীখি।

## তেন্দুলকরগী রন ২০০ না শ্রী লঙ্কাদগী ইন্দিয়ানা রন ২৭ হেনবা ঙম্লি

**কলম্বো, জুলাই ২৯ ঃ** ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা বেতচমেন অমা ওইরিবা সচিন তেন্দুলকর অমসুং সুরেস রাইনাগী য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্সনা ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কাগী মরক্তা শান্নরিবা অনীশুবা তেস্ত মেতচকী ঙসি মরিনিশুবা নুমিৎকী লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ৱিকেত ৯ তুরগা রন ৬৬৯ লৌদুনা শ্রীলঙ্কাদগী রন ২৭ হেন্দুনা লৈরি।

ঙসি মরিনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা হৌরকপদা তেন্দুলকর অমসুং সুরেস রাইনানা অপুনবা স্কোর ৩৪২ দগী মখা তানা শান্নরকখি। অয়ুক্কী সেসন্দা সচিন তেন্দুলকরগী ফজরবা সেঞ্চুরি অমসুং সুরেস রাইনগী মায়কৈদগী কেরিয়রগী অহানবা তেস্ত মেতচতা রন ৫০ লৌবা ঙমদুনা শ্রী লঙ্কাগী বোল্লরশিং অদুবু অৱাবা পীবা হৌরকখি।

মখোয় অনীগী পার্তনরশিপ অদু পুন্না রন ২৫৬ ওইখি। রাইনা অপুনবা স্কোর ৪৯৭ শুরকপদা মশাগী রন ১২০ লৌরম্লগা আউত ওইখি। ধোনিনা রাইনাগী মহুৎ শিল্লকখি। মহাক্না তেন্দুলকরগনা ৬ শুবা ৱিকেতকীমক রন ৯৫ হাপচিনখি। তেন্দুলকর লঞ্চ মতুংদা রন ২০৩ লৌরম্লগা আউত তাখি। মহাক্না ক্রিকেতকী ইতিহাসতা রন ২০০ হেন্না লৌবা ঙম্বা হন্দক্কী অসি থারগা ৫ শুবা ওইরি। নিংশিংবা য়াবদি, তেন্দুলকরনা ক্রিকেত মশান্নগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মওংশিংদা বেতিংগী মতাংদা রেকোর্ডথম্বা ঙম্লি। তেন্দুলকরনা রন ১৫০ লাম্থোকপা ঙমখিবা অসিনা ৱেস্ত ইন্দিজগী ব্রাইন লারাগী রেকোর্ড ওইরিবা ১৯ লকশুবা রন ১৫০ লাম্থোকপা ঙমখিবা অসি মখোয় অনীদা ঙাইরি। নাকল্ল অমরোমদা, সুরেস রাইননা মশাগী কেরিয়রগী ওইবা অহানবা তেস্ত কেরিয়রগী শান্নরকপদা সেঞ্চুরি লৌবা ঙমখিবা অহানবা ওইবা ঙম্লি।

তেন্দুলকরগী মহুৎ শিনখিবা হরভজন সিংহ ক্রিজদা কুইনা লৈবা ঙমখিদে। মহাক রন ১ ফাওবা লৌবা ঙমদনা আউত ওইখি। ধোনি অমসুং অনৌবা শান্নরোয় মিথুনগা লোয়ননা ৮ শুবা ৱিকেতকীদমক মখা তানা শান্নরকপদা রন ৫১ হাপলমখি। অদুগা ধোনি বোল ১৩৮ মায়োক্নবদা রন ৭৬ লৌরমখি। ৯ শুবা বেতচমেন ওইখিবা অভিমন্যু মিথুন রন ৪১ লৌখি। মহাক আউত ওইখ্রবা মতুং ১০ অমসুং ১১ শুবা বেতচমেন ওইরিবা ইসান্ত শর্মা অমসুং প্রজ্ঞান ওঝা লৈরি।

ইসান্ত শর্মানা রন ১০ লৌরি। অরোইবা বেতচমেন ওইরিবা প্রজ্ঞান ওইহা রন অমত্তা লৌদনা লৈরি। হয়েং অরোইবা নুমিত্তা শ্রী লঙ্কাদগী ইন্দিয়ানা হেন্দুনা লৈরিবা রন ২৭ অসিগী মখা তানা ইন্দিয়ানা কা হেন্না লৌথবা ঙমগদবগী ফিভম লৈতে। লোয়ননা তিম অনীমক্না মখোয় মখোয়গী ইন্নিংস অমমম শান্নগদবা ৱাৎপা মরম্না তেস্ত মেতচ অসি দ্রো চৎপগী ফিভমদা লৈরি।

## পেনকেককী মণিপুর তিম শেমখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ঃ** তামিল নাদুদা আগস্ত ১৯ দগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অহুমশুবা নেসনেল পেনকেক সিলাত চেম্পিয়ন্সিপ ২০১০ দা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় ৭ মণিপুর পেনকেক সিলাত এসোসিএসন্না খনখ্রে।

নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি - সব জুনিয়রগীদা ভহিনা, সুসমা, জুনিয়রগীদা হিমদ হাসমি, সকির অহমদ, সেনিয়রগীদা অমিরখান, সেদ অহমদ অমসুং রভি অহমদনি। ওফিসিএল ওইনা পি প্রেমকুমার, এমদি রফি অহমদ অমসুং সেদ অহমদপু হাপখ্রে।


**NEW ARRIVAL**
**SHOES N SANDALS**
**Hush Puppies**
**Reebok**

*# We also accept CREDIT & DEBIT cards #*

ICON
OF FASHION
FOOTWEARS

Opp. Rajen Dresses
Thangal Bazar, Imphal - 795001




*Available only at :*
RBK Show Room
(Reebok)
Paona Bazar
ONLY Show Room in IMPHAL














## " উনা শাবা শঙ্কন "

ৱারী অমসুং খুয়েক ঃ লেখজিৎ লাইশ্রম




## POKNAPHAM SUDOKU

**POKNAPHAM-SUDOKU # 1229 (MEDIUM)**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 6 | | | | | |
| 4 | 8 | | | | 9 | | 2 | |
| | | | 7 | | | 9 | 3 | |
| 7 | | | 1 | | | | | |
| | | | | | 2 | | 4 | 8 |
| 3 | 9 | | | | 5 | | | |
| 5 | | | | 9 | | | | 6 |
| | 4 | 2 | | | | | 7 | |
| | | | | 8 | | 3 | | |

Rules of this number game: Every digit from 1 to 9 must appear in each nine rows, nine columns, 3X3 nine boxes and the two encircled diagonals without repeating in the same row, column, box or diagonal. The numbers already given can't be changed.

**Answer— # 1228**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 4 | 7 | 5 | 3 | 6 | 8 | 9 | 1 |
| 6 | 5 | 3 | 8 | 9 | 1 | 2 | 4 | 7 |
| 9 | 8 | 1 | 4 | 2 | 7 | 6 | 5 | 3 |
| 8 | 7 | 6 | 3 | 1 | 5 | 4 | 2 | 9 |
| 5 | 2 | 4 | 9 | 7 | 8 | 3 | 1 | 6 |
| 1 | 3 | 9 | 2 | 6 | 4 | 7 | 8 | 5 |
| 7 | 1 | 8 | 6 | 5 | 2 | 9 | 3 | 4 |
| 4 | 9 | 5 | 7 | 8 | 3 | 1 | 6 | 2 |
| 3 | 6 | 2 | 1 | 4 | 9 | 5 | 7 | 8 |

*Prepared by* ***Haobijam Binoy***